# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-02-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**--অহানবদা মরুওইবা পাড--**

১)  রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লানা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎলকবা খঙহনখ্রবা মতুংদা ঙরাং থৌবাল, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি ওফিসশিংদা নোংমৈ ১১ য়াওনা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুম সরেন্দর তৌরকখ্রে।

২)  সাইবর ক্রাইমগা মরি লৈনবা থবক থৌওংশিংদগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্তরনা আপিল তৌরি।

**অমসুং**

৩)  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বিহারগী বগলপুরদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সতোলমেন্ট রিলিজ তৌরগনি।

**পুলিস(এল)ঃ**  রাজ্যপাল অজৈ কুমার ভাল্লানা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা আইননা য়াদবা মওংদা পায়রিবা খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎলকবা খঙহনখ্রবা মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সতা খূৎশু খূৎলাইশিং লেপ্তুনা পীখৎনরক্লি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-থৌবালগী এস.পি ওফিসতা থৌবাল পুলিস স্তেসনগী মনুংদা লৈবা মীওই খরনা ঙরাং মীওই খরনা খূৎশু খূৎলাইশিং সরেন্দর তৌরকখি। খূৎশু খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা এস.এম.জি কর্বাইন অমা, তিয়র গ্যাস গন অমা, স্নাইপর রাইফল অনি দবল বেরেল নোংমৈ অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোইন্ট থ্রি আইট

এম.এমগী পিষ্টোল অমা, টু ইঞ্চ মোর্তার সেল অনি, আই.ঈ.দি বোম অনি, হেন্দ গ্রেনেদ তরেৎ অমসুং রেদিও সেট অমা য়াওরি। ইম্ফাল ইষ্টকী এস.পি ওফিসতা হৈঙাং পুলিস স্তেসনগী মনুংদা লৈবা মীওই খরনা সরেন্দ তৌরকখিবা খূৎলাইশিংগী মনুংদা এ.কে ফিটতি সিক্স রাইফল অমা, বোল্ট এক্সন স্নাইপর রাইফল অমা অমসুং থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা য়াওরি। ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুংদা লৈবা মীওই খরনা সরেন্দর তৌরকখিবা খূইলাইশিংগী মনুংদা হেন্দ গ্রেনেদ অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি। ইম্ফাল পুলিস স্তেসনগী মখাদা লৈবা মীওই খরনসু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি ওফিসতা নাইন এম.এম কর্বাইন অমা, সরেন্দ তৌরকখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চঙথবদা খূৎশু খূৎলাই কয়ামরুমসু ফাগৎলে। চুরাচান্দপুর জিলাগী লংজা এরিয়াদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎলে। খূৎলাইশিং অদুগী মনুংদা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, কন্ত্রি মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, পম্পী অমা, আই.ঈ.দি অহুম অমসুং নোংমৈ মরু কয়ামরুম য়াওরি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ইষ্টকী চিংঙারেল তেজপুরদগী কে.সি.পি(নোয়োন) কাংবুগী মীওই অমা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। মহাক মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

**সাইবর(এল)ঃ** সাইবর ক্রাইমগা মরি লৈনবা থবক থৌওংশিংদগী মীয়ামা চেকশিন্না লৈনবা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্তর ঙাঙোম উট্টমনা আপিল তৌরি।

অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উনবা অমদা শ্রী উট্টমনা হায়-চাউখৎলকপগী মতুং ইন্না লম কয়াদা ইন্টরনেট শিজিন্নবগী চাং হেনগৎলক্লি। পোৎচৈ লৈবা অমসুং শেল থুমগা মরি লৈনবা হিরম কয়াদা ইন্টরনেট শিজিন্নরি।

অমরোমদা, অরানবা তৌবা মীওইশিংনা ইন্টরনেটকী খুথাংদা তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়া চত্থরক্লি। অসিগুম্বা ক্রাইমশিংনা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অচৌবা চৈথেং পীরি। সাইবর ক্রাইমগী চৈথেং ফংলবা মীওইশিংনা খুদক্তা মরি লৈনবা পুলিস স্তেসনশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি। সাইবর ক্রাইমগা মরি লৈননা হাংদোক্লিবা হেল্পলাইন নম্বর 1930 দগীসু মীয়ামা মতেং লৌবা য়াগনি। শ্রী উট্টমনা হায়-

**--সাইন্দ বাইট--উট্টম**

**বিরেন (এল)ঃ** পোপী পান্বী হান্থৎতুনা মাংহনবা অমসুং দ্রগকী মায়োক্তা চংশিল্লিবা লাঞ্জং অসিদা থৱাই য়াওনা মথৌ তৌরিবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-তামেংলোং জিলাগী তামৈ সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ওল্ড থেংজাং কুকি ভিলেজতা লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ান্থৎতুনা মাংহনখিবা অদু থাগৎনিঙাইনি। অসিগুম্বা খোঙথাং অসি ময়াই কাবা দ্রগকী চৈথেংদগী মীয়াম্বু কন্নবা চাউনা মতেং ওইগদৌরি।

**রেল্লি(এল)ঃ** মণিপুরদা রাস্ত্রপতিগী সাসন থল্লিবা অসি লৌথোক্তুনা অনৌবা সরকার অমা অথুবা মতমদা শেমবা দাবী তকশিন্দুনা হৌখিবা অহিংদা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা মীয়ামা মৈরাগী রেল্লিশিং চৎখি। থৌবাল জিলাগী তেন্থাদা অপুনবা মৈরা পাইবী লুপকী নুপীশিংনা মৈরাগী খোঙচৎ চৎখি। জিলা অসিগী শলুংফমগী অকোইবদসু শলুংফম অপুনবা মৈরা পাইবী লুপা শিন্দুনা মৈরাগী রেল্লি চৎখি। খোঙচৎশিং অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা খূল ঙাকপা ফাবা য়ারোই, কেন্দ্রনা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং পেন্দে হায়বনচিংবা খোল্লাও কয়া লাউখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বিহারগী বগলপুরদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি কিসান সম্মান নিধি স্কিমগী ১৯ শুবা ইন্সতোলমেন্ট রিলিজ তৌরগনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৌমীশিংদা তাঙ্কক অহুমলক থোকা চহী অমদা লূপা লিশিং ৬ পীরি। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি লৈবাক অসিগী ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র ৭৩১ দা হাকথেংননা অমসুং ভর্চ্যুএল ওইনা য়েংবা ফংগনি। থৌরম অসিদা চাউরাকা লৌমী কোতি ২ মখায়রোমা শরুক য়াগনি হায়না পানরি।

ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লদুনা কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়র মন্ত্রি শিভরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-থৌরম অসি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংনা শিন্দুনা কিসান সম্মান সমরোহ হায়না লৌমীশিংদা স্কিম অসিগী মতাংদা ৱাখল তাহন্নবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী কোতি ৯ লাখ ৮ দা দাইরেক বিনিফিট ত্রান্সফরগী খুৎথাংদা পুন্না লুপা কোতি লিশিং ২২ হেনবগী শেনফম পীগনি।

**নদ্দাঃ** কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রি জগট প্রকাশ নদ্দাগা মোলদিবসকী হকশেল মন্ত্রি অবদুল্লাহ নাজিম ইব্রাহিমগা নিউ দেল্লিদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হকশেলগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱারি শান্নখ্রে। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী নদ্দানা হায়-মখোয় অনিনা ৱারি শান্নখিবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেল্থ প্রোফেস্নেলশিং ত্রেনিং পীবা, দিজিতেল হেল্থ, মেন্তেল হেল্থ অমসুং হিদাক লাংথক শাবগা মরি লৈনবা লমশিংদা হেন্না তেংবাং পীননবা খন্ন-নৈনখি।

**বিরলাঃ** লোক সভাগী অধ্যক্ষা ওম বিরলানা হায়রি-ভারত অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়াগী মরক্তা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি নিংথিনা চৎনহনবা ঙম্লি। নিউ দেল্লিগী পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙরাং অখিল ভারতিয়া রাস্ত্রিয়া সাইকশিক

মহাশঙ্ঘগী মেম্বরশিংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বিরলানা হায়-নিংতম্লবা মতুংদা ভারত্তা পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসি চৎনবা হৌখি। লৈবাক অসিদা সংবিধান চৎনবা হৌরকখিবগী ৭৫ শুবা চহীগী থৌরম পাঙথোক্লি। হৌখিবা চহী ৭৫ অসিদা শিংনবা কয়া থেংনখি। অদুম ওইনমক, শিংনবশিং অদু মতম চানা ৱারি শান্নদুনা অমদি খন্ন-নৈনমিন্নদুনা শংতাইনখি।

বিক্সিট ভারতকী মতাংদা শ্রী বিরলানা হায়-ওজাশিং অমসুং খঙ হৈরবা মীওই কয়ানা মহৈরোইশিংদা গনতন্ত্রগী ফজরবা ৱাখল্লোনশিং নিংথিনা ফাওহনবা ঙমবা হোৎনরবদি ভারতপু চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাঙগনি।

**ক্রিকেটঃ** দুবাই ইন্টরনেসনেল স্তেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা আই.সি.সি মেন্স চেম্পিয়ন্স ত্রোফিগী গ্রুপ এ গী মেটচ অমদা ভারতনা পাকিস্তানবু ৱিকেট তরুক্তা মাইথিবা পীখ্রে। হান্না তোষ্ট ঙমদুনা বেট্টিং তৌখিবা পাকিস্তাননা ওভর ৪৯ বোল ৪দা ৱিকেট লোয়না তুরগা রন ২৪২ লৌখি। মদুগী পাউখুমদা ভারতনা ওভর ৪২ বোল ৩ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ২২৪ লৌদুনা থোইখিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা নোংমৈ পীখৎলক্তবশিংগী মথক্তা ওপরেসন চত্থগনি হায়না চিফ সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎখিবা অমদি সরেন্দ তৌরকখিবা অমসুং খূল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোই হায়না প্রোতেষ্ট তৌখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোঙনরি।

সনালৈবাক পাউচেদা-খূৎলাই হান্না লৌখৎলবা মতুংদা নেসনেল হায়ৱে হাংদোক্কনি হায়না চিফ সেক্রেটরি প্রসান্ট কমারনা হায়খিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। খূৎলাই থিনগৎলকবা মতম তেনমল্লি, ৱাখল তামিন্নবগী মতম পীফম থোকই হায়না কোকোমিনা থমখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

লুট তৌদুনা আইন কাইনা পায়রিবা খূৎশু খূৎলাইশিং সরেন্দর তৌবগী মতম শাংদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না চিফ সেক্রেটরিনা থমখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি ইচেল এক্সপেস, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস, মোর্নিং বেল, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অহুমদসু খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎনরকখ্রে হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি। পাউ অসি মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

খূৎশু খূৎলাইশিং পীখৎনরক্লি অমদি অন্দর গ্রাউন্দশিংসু ফাগৎলি হায়বা পাউ অমা সঙাস এক্সপ্রেস মণিপুরীগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

খূল ঙাকপা ফাবা য়ারোই লৈঙাক হঞ্জিলহনলু হায়না মফম কয়াদা ৱাকৎ মীফম অমদি মৈরা রেল্লি চৎনখিবগী পাউনা ইচেল এক্সপ্রেস অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগা গভর্ণরগা উন্নখ্রে, ইন্দো ম্যান্মার বোর্দর শন্বল খাবা য়ানিংদবা য়ু.এন.সিনা ফোঙদোকপগী পাউ তামেংলোং তাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**